> “মী হায়ৎপুরবসু খঙহন্দবা ঙন্নবদি মীহায়ৎপা ওইরোই। লোয়ৎপা হৈতবদা লৈরে মরাপ হায়বনু।”
> - হিজম গুন (ঐখোয়' তাদ)

## অপোম্বা থরো

—শ্রীকাংজম নন্দকুমার

ঈরোলনুং অদুদা
লূপ্পদুনা লৈরিঙৈ
তাইবঙ মঙফাওনদ্রিঙৈ
অপোম্বা থরো থম্বাল
থারিকথা ওইনা লৈরিঙৈ ঐ।
কনানসু ঐবু শক-চু
তাকপা ঙমখিদে,
ঈরোলনুংদগী তাইবঙপালদা
খোঙদারক্লবা মতুং
ঐবু শক তাকপী মখোয়না।
ঙসিদি ঐগী পন্থুংফম
কৈদনো থিরক্লি,
লমদম কৈদা লৈবগে।
কল্লক মীহৌবা কনানা
ঐবু থিরৈ মফম খুদিং
লৈনম লৈশক লৈসু
খঙলবা কনা কনাগুম্বীনা
মখোয় মখোয়গী
পাম্মু মকাদা খুদোল তমজনীং,
ঐবু মফম খুদিং কোয়থি থিরৈ
লমদম কৈদবু লৈবগে থিরি ঙসিসু।

## নুংশিরবী হে ইরমদম

—তবানু খুরাইজম

নুংশিরবী হে ইরমদম
লৈকোলনি হায়নৈ নহাকসে
লৈখল শুনা শাৎলিবী
মীনুংশি খঙবী লমদম
অদুবু ওইখ্রে ঙসিদি
লৈশংবা লৈত্রবা লৈকোল
মাঙখিনি ব্রাহৈ লৈনমসু
কল্লকপা নুংশিৎনা হুম্বদা।
মপূ লৈনা লৈত্রবা
অপাম ঈহৌ কয়াদা
লৈনানা নোংমা নোংমা
ময়েং তারক্লে থৌদোক ব্রাথোক্কী
অদুবু হে কংলৈ গুলাপ
মুৎখিদৌরে অসুম লৈকোন্দগী
নুংশিরবা লৈনম, শক্তম
মাঙখ্রনি মতমগী খোঙচৎতা
শিল্লনি লৈনম চেন্দ্রবা
চেগী গুলাপ কয়া কয়ানা
লৈশক লৈচু হোংনা
হাইনা হুম্না মীকিদনা।
তমগী গুলাপ ঐখোয়সে
মুৎখিদরা মীপাইরে পূক্লিংসে
নিনা, চানা পুন্সি লেন
মীগী খদাং মীখা পোন
শূগে খন্না শূফম লৈতা
অব্রা হুইদোং লাংলনি
ঈশিং লৈত্রবা লেমলৈগুম
শিবা ঙাইনা লেল্লনি
ব্রাখল লৈবা মীওইবনি
হৌজিক হৌজিক তুংলমচৎকী
খনবীয়ু মীকুপ অমত্তং
তুংগী চারোল শুরোলগী
নুংশিরবী ইরমগী
পুন্সি লম্বেল চৎনা-চৎনা
লৈনা কেনবা ঙাকপীয়ু।

## মচু কয়ানি সনা কৈথেল

—মনি থৌদাম

মাঙদা উরিবা লৈকোলসে
শাৎলি লৈখল শুনা!
মাগী-মাগী শকওং কায়দা
মনীং তমজৈ কেজৈ নৌজৈ
লৈরাং লৈনম তাবদা
খোইগী মখল শুরে।
য়াহৌ থেংলবসু ঙংজৈ
থব্রায় তানা লৈকোলদা।
লৈহি চেল্লিবোই মনীংনা
লৈশক্তা মঙাইরে তেক্লিবা
অয়ূক্কী লিক্লানা য়ৈখ্রবা
লৈহিদি খমলে শক্তা মঙাইরে
হুন্নকই মালংবা মানসু
লৈরাংগা খোইমুগা মীচান্নরিঙৈ
হায়নৈ লাইরৈবাক্কী লৈকোলদা
তান্থোকপীবনি মালংবা মানসু
লৈরাংগী ইকায়বা মতৌদা!
মরোল থোক্তে লৈনাদো
তোংলক্কনু পাইখ্রো হায়জবা
লৈহি চেন্দ্রে লৈচুদা মঙাইরে
খঙবদা ব্রারে চীরোল খারোল
গলিদা শাৎচবী লৈরাং
নচিলনা খুমউ, নচিলনা খুমউ
লৈহি চেন্দ্রবীনি।

## নোংমা

—কান্তা মৈরালাকপম

পূক্লিংগী ওইবা ব্রা
হায়গে খল্লি
হায়বা ঙমদে
করম্না তৌনি।
অপনবা অমা
লৈবদৌনা থম্মোয়দা
থল্লি হায়দোকপা ঙমদনা
অসুম অসুমক।
মতমদি নোংম-নোংমগী
লেপ্পা লৈতনা হৌখি
কনাসু ঙাইবিরমদনা
নঙবু নুংশি হায়বসি।

## থাগৎপা

—ডা. রনজিৎ মঙাং

নহাক্লা অফবনি খল্লিবা থবক
মীয়াম্না অফবা ওইনা খন্দে
নহাক্লা মীয়াম লান্না খল্লিদো
নহাক্লা পঙবদগী খনবনি খঙদ্রে
মীয়াম্না পামদবা থবক তৌরোই
মদুম তৌরদি মীয়াম্না থাগৎনগনি।

## অশিবগী খুঞ্জাওদা

—খাইদেম বোরসিংহ

ঐনা খঙনখিবা চান্নখিবা
খুড়া মাম্মা তাদা ইচাশিং
অহিংবগী তাইবঙসিদা উখিদ্রবা
নখোয় পুল্লপ লৈরম্মুকো
অশিবগী খুঞ্জাও 'মদা।
ঐনা চিংনরোই খনখ্ররোই
যম চাম্মা চাম্মা লাকপদা
কনাগী অহকপা চৈরাকসু
নখোয়না লৈরম্লবা করিগুম্বা
অশিবগী খুঞ্জাও 'মদা।
নত্তবনা খঙদবনা উদবনা
ব্রাখল ওইনা খনবসি ঙাইরে
মসা মউ কংলবা উপালদা
য়েংজবসি ঙাইরে ঐগী মীৎসিনা
অশিবগী খুঞ্জাও 'মদা।
অমুক উররোইদবা মাবুদি ঐনা
করিগী মিরাইরুই হে থম্মোয়
নুংশিবগী থৌরিনা করিগী পুল্লুদে
ঐগী মীগী মাগী খায়দুনা
লোইনাইরবা পুন্সিনি খন্দদুনা।

## ফিরেপ

—খুল্লেবম সোফিয়া রববানি

ও: হিহোনবা
ও: হিহোনবা
ঙাইখো অমুক্তা
অমুক্তা ঙাইখো
চেন্থরক্লিবা হুমাংদো
অমুক্তা তৈথোকখো
পাখৎকনু অমুক্তা।
ফাথখো তান্থা কায়না
চোঙলিবা মিহুলদো
হোল্লু নিংশা শ্বর
তপ্পা তপ্পা।
খূৎনা পায়রিবা নৌদো
অমুক্তা থাদোকখো
ফাজিন্দুনা থমখো
মীপাইরবা থম্মোয়দো।
হিহোনবগী বিধিনি
নোংলৈ নুংশিৎ থেংনবা
নোংলৈ ফিরেপ অমা
য়েংখো মিৎয়েং শান্না।
থাঙ্গৎলো নৌদো
লেপখ্রবা ফিরেপ্তুনা
তান্থা কায়রিবা খোঙথাংদো
থাংহল্লো তান্থা নাইনা
কাখৎলো পান্দমগী হিনাওদুদা
পাঙথোক্লো নৌগী শিন্থা।

## পুপুগী বিল

—ডা. নির্মলা রাজকুমারী

নোংমা লাকই নুপা অমা
রেষ্টোরেন্ট অমদা অচাপোৎ চানবা।
হোটেলদুগী মপান্দা বোর্দ অমদা থাই,
'নঙনা চানীংবা মখৈ চাও
বিলদি হয়েংব্রাই নঙগী নশুনা পীগদবনি।
চাবা য়াবা মখৈ চারে নুপাদুনা।
অতাঙ-অতাঙবা, অহাও-অহাওবা
পৈশা তিংলরোই খন্দুনা।
ব্রেটরদুনা লাকই বিল পুরগা
হংই নুপাদুনা করিগী বিলনো?
হয়েংব্রাই ঐগী ইশুনা পীগদবনি হায়রগা
ব্রেটরদুনা খুন্নকই, নঙনা চাবগী নত্তে,
নঙগী পুপুনা চারম্বগীনি।

## মীওইবা

—লাইফ্রাকপম বীরমনি

তাইবঙ শেম্বীবা মপূ
মপূ মহাক্কী খূৎশেম,
খূৎশেমশিংগী মনুংদা অথোইবা
নমু তাইবঙ মীওইবা।
নঙসে মপূগী মিরেলনি
নঙনা নঙবু খঙজদে
নঙনা তৌরিবা থবকশিংদো
নঙনা নশা য়াজরিব্রা।
মীতমনি নঙদি মপূগী
লৌশিংদি নঙগী মপূগীনি,
শীংনরদি নঙনা মপূবু
তুমজনি নশা পূম্বা।
নঙনা হিংনবা থিরি
লৈনুংদা লোৎলবসু চিংথোক্কনি,
লৈথক্তা লোৎলবসু ঙম্মোই
মথক্তা লোৎলবসু চিংথগনি।
থিজরি নঙনা মাঙজনবা
থিজরি নঙনা লৌশিংনা
থিজরি নঙনা পাঙ্গলনা
থিজরি মালেমসে তুম্নবা।
খন্থজহৌ তুংগী পোলোই
মালেমদা লৈবা থব্রায়শিংগী
মপূ লৈরিবা শঙ্গাইবু
ইকায় খুম্না উত্তুনা।

# সালে

## (Saleh)

-ডা. তহা হুসেন

“নঙনা শৈখনা নমাজ শোনবগী লোইরকপগী তাইবঙ মপুবু থাগত্তুনা খোল ব্রাংখৎলকপদু হেক তাবগা ঐঙোন্দা চেল্লক্তুনা তল্লো কো। অদুম্না হেক তৌররবা নঙসে ইচানি হায়দৌরিনি।” মমাদুনা মচানুপাদুদা মখজাইদা নানবীরদুনা হায়রিবনি। মদুদা মচানুপাদুনা নোকফেৎ তৌরদুনা খুন্নকই, ‘উম, অদো ঐনা হায়রদ্রবদি ঐসি কনাগী মচানি হায়দোইনো?”

পাউখুমদুদা মমাদু খুন্ফম খঙখিদ্রে, অকোয়বদা লৈরিবা মচানুপা অতৈ অমদি মচানুপীশিংদুনদি ব্রা নোকখি। মমাদুসু তোক্তে, অঙাংদু মখজাইদুদা অমুক্কা শিক্লদুনা হায়, “নঙসে কপ্পে নরৈ শাংই অদুগা খৎন খৎনগল্লিবা।” অদু হায়না হায়না মমাদুনা চিনি মচেৎ অমা মচানুপাদুগী মখূৎতা ইনশিল্লকই অদুগা মখাসু তারকই অমুক্কা, “হায়রিসিনি, নঙনা হেক হায়ররবা, শৈখনা মখোলদু ব্রাংনা লোইরমদাইগী লাইশোন্দু হেক লাউরক্লবা মতমদুদা, ঐনা চিনি অমগমুক পীদৌরিনি নঙনা তূমদ্রিঙৈদা।” অঙাংদু চিনিদু পায়শিল্লদুনা খুন্নম্মী, “ফাগী তৌনিদা, ঐ শোয়দনা হায়রগে।” অদু হায়রম্লগা চেনখ্রে, লৈহৌরিবা অতৈ মচা নুপা-নুপীশিংসু, মমাদুসু নোকহৌই।

নুমিদাংব্রাইরমদু ইমুংদু হরাও মথোই কারি। লমদুদা মরুওইখ্রবা মীওই খরা মখোয়দা মীথুং ওইররি। লাক্লিদু মখূৎ হাঙনা লাকপা নত্তে পুরক্লিবনি, খুদোল কয়া, অচা-অথক কয়ামা। অদুনা ইমুংদুগী য়ূম্থুরেম্বী অদু ঙসিদি ওন্থোক্লা চেকশিন্না মীথুংশিংদু ওক্লবা শেম শারিবনি। পূম্নমক্তু শৈখনা থুংলরিবশিং অদুগা পূন্না নমাজ শোনমিন্নবদু হেক লোইবগা পীজ-পীথক্কদৌরিবনি। অদুনা নমাজ শোনবদু শৈখনা লোইরমদাইগী খোল হেক ব্রাংখৎলকপদা লোইরে খঙদৌরিবনি। মদু তাহৌরোইদ্রা পাখৎপগীনি মানা মচানুপাদুদা শিন্নরিবদু। মথেলদি য়ামখ্রে, ইহান হানবা ওইনা কক্লবা ব্রেদ, শা মতূম অদুগা শা ফূৎপগী মহীনা মাঙ থাদৌরিনি। হায়রিবশিংদুদি শেম-শাব লোইরবনি, ব্রেদশিংদু অচৌবা প্লেট অমা হাপ্লবনি, শা থোংবগী মহীসু শেন্নে, চাকসু লোইরে, চনম মকু খোকপসু লোইদুনা মকক মকক কক্লবনি। য়েংবদা এতোম মাল্লে। অদুবু হায়রিবশিং অসি ঈংনা পুথোকপদি য়াবা নত্তে, অদুনা পুথোক্লমদাইদা তাউবা খোৎপা চঙলিবনি, নৎত্রবদি ব্রেদতা শা মহী লোইনা চূপশিনদৌরিনি, চনম অমদি য়ুদগী লৌবা অশিনবা মহীসি মনম হান্না চৎখিদৌরিনি, অদুগী মথক্তা চাক ঈংবসু য়াবা নত্তে। পূম্নমক অসি লৈবনা অঙাংদুনা শৈখনা লুচিংলগা নমাজ শোল্লিবদু তাদবা য়াদবনি। হেক লোইরমদাইগী খোল ব্রাংখৎলকপা তাঞ্জাদুদা মানা মমাদা লোইহৌদোরে হায়না চেল্লক্তুনা তম্লগদবনি। মদু হেক হায়রবগা মমাদুনা হায়রিবা মচল ময়ামদু প্লেট অচৌবা অমা শেম শাদুনা থল্লিবদুদা য়ানশিল্লগা তোৎখায়দৌরিবনি। অসুম্না মতম চানা দিন্নর অদুবু পুথোকহৌরবদি অতৈ অতৈ মখা তাবদি লায়রে, তাঞ্জা য়েংনা য়েংনা পীজবা য়ারে, থেঙবগী ব্রারৌগদবা লৈত্রে।

অদুবু অঙাংদুনা শিন্নখিবদু হায়রবা কৌবা লৈত্রে, মরমদি মহাক তাহৌদ্রে। মাগী ব্রাখলদু নমাজ শোনবা হৌরকপা অদুব্রাইদগী লমফৈদা লৈখ্রে, লোইরকপগী মরু ওইখ্রবা তাঞ্জাদু মহাক তাহৌদ্রে। অশোমদদি শৈখতু নমাজ শোনমিন্নবদু লোইরদুনা দিন্নর ঙাইবা ওইনা মমান্নবশিংদুগা ব্রারী শারি। চাক ঙাইরি ব্রানা। শৈখ লৈফম খঙলক্তে, মাগী মরুপ-মপাংশিং লাকপদা অদুম্না দিন্নর মতাং চানা পুথোক্লক্তবদু ইকাইরক্লে। অদুনা ইমুং তানবা খুবাক হৌনা খুরসিরা, ঈঙ্গিৎ পীরসিরা খল্লক্লে, অদুবু মদুমকসু অতাক-অফোংননি খন্না তৌদ্রে। অদুনা মহাক ব্রারী শানবদু তারসনু মতাগুম খোল হৌগৎলক্লে। তাঞ্জাদুদা নুপীদুগী মচানুপী অমা থোঙ মরুমদা ফাওরকপদা হেক তারুরে। খোল হৌগৎলকপদু মহাক খঙখ্রে, অদুনা মমাদা চেল্লগা তম্লুরে। নচানুপানা শোয়বনি হায়ররে। নুপীদু পাখত্তুনা শৎ-শৎ লোইশিল্লগা দিন্নরদু পুথোক্লক্লে, ময়ামদু নোক নোক্তুনা চামিন্নখ্রে।

অঙাং নুপামচাদু হায়বা ইন্দবদি নত্তে, মাসু মাগী ব্রাখল অমদদি চুন্নি। মহাক নমাজ লোইবদু তাগদবগী শুমাঙগী কাচিন অমদা লেপ্তুনা লৈজবনি। মফমদুদা য়োৎতেক খরা পৈরি, মাগী পামজখ্রবী, য়োৎতেক ময়ামদু অমুক খোমজিল্লি, অমুক চাইথোকই, অমুক অমগা অমগা য়ৈনদুনা অয়াম্বা মতমদা মথন্তা ওইরসু হান্নদগী অদুম পূং কয়া শান্নদুনা লৈবনি। করিগুম্বদা মথন্তা, করিগুম্বদনা মচেশিংগা, ঙসিসু মদুদা ফন্নুবনি নমাজ তাগদবগী, মমানা পীরকপা চিনিদু মচেৎ অমা উন্নদুনা। মনা অমনা শৈখকী খোঞ্জেল তারদুনা য়োৎতেকশিংদু সুম শান্নরুবনি। মানা খনবদি, নমাজ লোইরকপগী খোঞ্জেলদুবু তারবদি মহাক মমাদা চেল্লগা তম্লুগে অদুগা অমুক হল্লক্লগা শান্নগে অসিনি।

অদুবু মানা ফমথদুনা চিনি হেক হুকচিনবগী তাঞ্জাদুদা মাগী মরেংবান্দা অমোনবা খূৎ অমনা পায়রকপা ফাওখি। মহাক্লা কনানো য়েংখৎলুবদা লৈকায়গী মমান্নবা সালে হায়বদু ওইরম্বনি। সালেনা মখূৎ অমনা অঙাংদুগী লেঙবান্দা পায়রে, অদুগা মখূৎ নাম্মদুনা ফজখ্রবা লৈ চরোং অমা পায়দুনা, মোমোন নোক্তুনা লৈরম্লে। অঙাংদু সালেবু উবদা ঙকখ্রে, মানা শেৎলক্লিবা ফি-রোলদু মনবগী মথক্তা শেগায়বনা লোইরে। থবাক উরে, লেংজুম ফাওরে। শেগায়রবা ফিরোলদুনা সালেগী মশা কূপ্পবুদি উৎথোকপনা হেনখ্রে। য়েংবদা ফিজেৎ-ফিগায়না তুশিল্লগা, ফুরিৎ শানা ময়াং কংলবা মহকচাং কুপ্তবা য়াদবা খরমখৈ কূপ্পবা হোৎনরকপা মানখ্রে। শম্না হায়রবদা মফি থোক্তুনা চত্তে হায়বদা মঙায়রে। অঙাংদুনা অমুক সালেগী মমায়দা য়েংলকই, মদুসু য়েংবা নুংঙাইতে, তাইফেৎ তাইরে। মোমোনদি নোক্লি, অব্রা মায়থোঙদু আশা অমা পুরদুনা চাইরিবা য়োৎতেক ময়ামদুদা য়েংথরুই, অমুক্লা মরুপ্তুনা চারিবা চিনি অদুদা খোয়দানা য়েংলকই, অদুদগীদি চেকপলদা য়ান্থরিবা অঙ্গুর চরোংশিংদুদা য়েংখৎখি। অরাম খৌরাংগী মতৌ উৎলকখি।

অসুম্না সালেদু মমান্নবা অদুদা লমহাংগী লৈদু পীনবা মখূত্তু তিংথোক্লদুনা হায়, “ঐ নঙ উন্নরমদনা, লৈসি পীরমদনা য়ূমদা হল্লরোই খন্না লাক্লিবনি, লৈসি মপূং ফানা শাত্তোকত্রিবনি। সে লৌরো, অদুগা ঈশিং খরা য়াওবা পাত্র অমদা হাপ্তুনা থম্মু, হয়েং অয়ূক্তদি মপূং ফানা শাৎকায়রম্লদৌনি। অদুদা খঙগনি নঙ, লৈসি কয়াম ফজবা, কয়াম মনম নুংশিবা।” মমান্নবা অদুনসু সালেনা ঙাঙলিবদু মুন্না তায়, অদুগা লৈদু লৌশিল্লি। অদুগা মানা চাবগী লেম্বা চিনি মচেৎ অদু সালেদা পীখি। অদুগা ফমথরক্লবা হায়খি, য়োৎতেক ময়ামদু শান্নমিন্নসি হায়না। সালেসু হরাওনা চিনি মচেৎতু লৌরে, অদুবু মুন্না চিনিদুদা য়েংদুনা লৈখ্রে, ময়াদা হুকচিনগে তৌরুই, অমুক মুন্না য়েংই, অদুদগী মহাক উমশিনখ্রে, য়াগা খজাইগা কারক্তা থমখ্রে, খরা খরা সুম তুমহন্নবা, মহাওদু কুইনা লৌবা য়ানবা। অদুগা ফমথরক্লে, য়োৎতেক শান্নবদু মাসু য়াওশিনখ্রে। শান্ন-শান্ননা মরুপ অনীদু তুমিন্না লৈতে, ব্রারী শানৈ, মখোয়গী কোরান স্কুলগী, মমান্নবশিংগী, লৌবুক্কী, খুঙ্গংগী মরমদা। অসুম্না নুংঙাইরিঙৈদা অঙাংদুদি কাউথোক্লুরে, মমানা মঙোন্দা শিন্নবা থবক্তু, শৈখকী নমাজসু, মীথুংশিংদুগী ব্রাসু। মমাদা পাউ পীরুদ্রে। মহাক খংবু খংলুই মচেনা খংকৌ কৌরকপদু, থোঙদা লেপ্তুনা চাক চাররো লাক্লো হায়না লাউরকপদু তাবদা। শৈখনা নমাজ লোইরবা মতুং, মীশিংদু নুমিদাংগী চাকলেন্দু চামিন্নখ্রবা মতুং, কোফিফাওবা পীথক্লম্লবা মতুংদা য়ূম্থুরেম্বীদুনা মচা ময়ামদু কৌশিন্দুনা চাক পীজগে তৌরকপদা অঙাংদু ব্রাৎলম্বনি। অদুদা নীংশিংলক্তুনা মমাদুনা মচেদু থাদোক্লকপনি মৌপ্বাদু কৌরকউ হায়না।

কৌরকপদু তারবসু মহাক পাক্লা খুমখিদে, মহাক কমদৌনা মমান্নবদু থাদোক্লমদৌনো খল্লি, থনম্বসু পামদ্রি। অদুবু সালেনা ওইনা মঙোন্দা হায়রকখি, “খুম্মো! নঙবু চাক্কী থিরক্লি মাল্লে।” অঙাংদুনা হংখি, “নঙদি, নঙবু চাক চারক্লব্রো?” সালেদু হৈনিংদনা খুন্নকখি, “চাদ্রি, ঐসু য়ূম য়ৌরগা চারুরদৌনি।” মহাক হৌগৎখ্রে। হৈনীংদনা চৎলগে খন্না লৈথোকখ্রে। মহাক চৎখ্রে। অঙাংদুসু মমাগী নাক্তা লৈদু পুদুনা চঙখ্রে। মমানা মাবু উবদা চৈরে, মানা শিন্নবা থবক্তু কাউবগীদমক। লৈদু উবদুদা অদুনা কদায়দগীনো হংলম্মী। অঙাংদুনা কিনা খুমখি, “সালেনা, হজ অলিগী মচাদো, অদুনা পীরম্বনি।” মমাদুনা মখা তানা হংখি, “অদুদি নঙদি কৈসু পীখিদ্রা?”

- চিনি মচেৎ অমা পীখি।

- চিনি মচেৎতুনা মঙোন্দা কৈদৌরুনি? মদুনা মহাক চাকলাম্বা কোক্লদ্রা? চাক চামিন্নখ্রসি কোক হায়বা য়াদ্রা?

- ঐ হায়গেদি খনবনি, অদুবু হায়হৌদ্রে।

অঙাংদু নীংঙম্লক্ত্রে হায়হৌদবগী।

- অদু লৈরিব্রা য়েংঙুচো, পুরকউ চামিন্ননবা।

অঙাংদু হায়বগা পাইথোকখ্রে, হৌনা কৌরুরে। অদুবু হৌনা কৌবগী কান্নদ্রে। সালেদু চৎলমদ্রে, ফক্লাংদা নপ্তুনা লৈরম্লে। মখোঙ নাম্মা থাংদোক্কেদি তৌরদুনা। মহাক চৎকে খল্লি, অদুবু মখোঙদু থাংঙু য়াদ্রে। মাগী মরুপ্তুনা কৌরকপদু তারদুনা কিথি কিরুম খুন্নকখি, “ঐ সিদা লৈয়ে, করি হায়গে?” অঙাংদুসু য়ৌশিল্লকই, “চাক চামিন্নখ্রসি হায়বনে? লাকও!” সালেদু পাউখুম পীরক্ত্রে, মরুপ্তুগী মতুং ইল্লক্লে। মরায়দি লূক্লা, মপুগী মতুং ইনবা হূইগী পাংখক ওইনা।

অসোমদসু মচে অমনা টেবল মচা অমগী মথক্তা চান-থক্লবা থাংদোক্তুনা থনস্লে, মখোয়নীনা থোঙ হেক হাংদোক্লকপদা উরে। ট্রে অদুদা য়াওরিবদু শুরে, মীথুংশিংদুনা চাখিবা পূম্বা য়াওরে। মচেদুসু ময়াম চারিবদু য়াও হায়বা য়াদ্রে, অঙাং অনীদুগী অব্রাৎ-অপা হাপ্পমখিগে হায়রে। মচেনা ব্রাৎলিখৈ হাপ্পীরে, সালেদু মবুক পিক থন্না চাজরে, অদুগা চৎখ্রে। অঙাংদুসু মমাগী নাক্তা লাক্লগা থাগৎলরে। মদুদা মমানা মাগী মকোক্তু নান্থবীরগা হায়রকই :

- অদুনা হয়েংখৈ নঙনা চাক চারমদাইদা নমান্নবা অমা নঙবু উনবা লাক্লবদি চাক চামিন্নসি হায়গদবনি। চাদনা হলহলখিবা য়াদেকো।

মমাদুনা ঙাইহাক তুমিন্না লৈরুরগা মখা তারকখি :

- “অদুগা নহাক সালেনা নঙোন্দা লৈ অমা পুরকপদুগী মরম খঙব্রা? মদু চাক্লেন্দু চাবা ফংনবা তৌরক্লিবনি।”

- “ঐদি খঙঙুদ্রেদনা।”

মমানা মখা অমুক তারকই :

- “মাদু ঐখোয়দা মীথুং খরা লাকখ্রে হায়বা খঙলম্লনি। লাক্লিবশিংদুনা পুরক্লিবা খুদোল পোৎ, অচা-অথক পূম্বসু মাদি হান্ননা উরম্লনি। অদুনা ঙসিদি নুমিদাং ঐখোয়দা অহাওবা কয়া চামিন-থকমিন্নরগনি হায়বদু মাদি লোইনা খঙলবনি। মদু মাসু চানীংবনি। অদুনা নঙবু উনবা য়ানবা লৈদু থিরগা পুরক্লিবনি খঙঙু।

- “অদুগা ইমা! মাগী ফুরিৎ খোঙগ্রাওদু উরম্লদি খঙদৌনি, লোইনা শেগায়রে, মথবাক, মরেংবাল লোইনা উরে।”

- “অদুদি হয়েং স্কুলদগী হনমিন্নরকপদা ঐখোয়দা পুশিল্লকউ, নঙগী শেৎনদবা ফি ময়াম লৈরি, মঙোন্দা অমা পীবিসি।”

অদুম্না মচাদু অতৈ মচাশিংগা পূনশিন্নহল্লে, অদুগা মানা চঙশিন্দুনা মীথুংশিংগী চান-থক্লবা লাঙবদুগী ব্রারী লীরক্লে। মতোমতা অশোয়বা অমা লীথোক্লক্লে। “ঐদি অমা অমা তৌরিঙৈদা চাক্তু ওৎপা কাউরুরবনিদনা। অদুদদি চাক্তু নপ্পনা লোইখ্রেদনা। চাক্তি ওৎত্রবদি নপ্পা তাবা, মসিদি ওৎলগা মচা তানা কানা থোঙগদবনি। অদুবু ঐগী হৈঙান্দুদি হাউত্রা, মহীসু লাঙহন্দবনি, অদুগা নপ্পসু নপশিনহন্দবনি, মসিসু ওৎপা কাউরম্লবা লোইরে, তৎ তৎ নপ্পদৌনি, চাবা য়াররোইদৌনি, মহাওদি লায়রদুনা। চেকশিন্না থোংবদুনা হেক হুকপদা কুৎ য়োৎনখ্রিবনি, হাওই ঙাক্তা হয়রম্মী।” মমাসিনা মচাশিংদুদা ঙসাইমখৈ পাউদল্লিবদু অতৈগী ওইরমদ্রে, মচানুপী খরদু মাগী ব্রারীদু তারগা মতুংদা চাক থোংবা হৈহৌনবা ওইরম্লে। মচানুপা খরদুদি নোকপদা লোইরে। মতাংদুদা ঙসাইগী মচানুপাদুনা অমুক হংগৎলক্লে : “ইমা! করিগীনো সালেনা ময়ূমদা চাক চানীংদ্রিবু?”

- “ঐনা ঙসাইনা হায়রেদনা। ঐখোয়দা অহাওবা কয়া চা-থক্তৌরি হায়বদু মানা খঙবনা, মাসু চাবা য়াওনীংদুনা লাক্লিবনি।”

- “অদু লৈকাইগী ইমুংশিংদসু ঐখোয়দা লাকপদৌনা মীথুং ফনা লাকখিবা উখ্রে, হাউনা চারমগনি হায়বা ঐসু খঙখি। অদুবু ঐদি ইমান্নবশিংদুগী নাক্তা চৎলুদে, চাবসু য়াওরুদেনা।”

- “অদুবুদি নঙদি চৎলুবগী করি দরকার লৈরি, ঐখোয়না ফজনা সিদা পীজরিবসিদি।”

- “অদুদি সালেদি চাবা মনীং থুংদবা ওইরম তারেনে?”

মমাদু নোক্কদবদা মঙায়রে। অঙাংদুগী ব্রা কোৎথবা, মরৈ তৌবা মওংদুদা ময়াম্বশিংদুদি তানীংলক্ত্রে। অদু খঙদুনা মমাদুনা শমথরকখি :

- “নঙগীদি নপা ইনাক-খুল্লি, মাগীদি মপাদু লায়রৈ খঙঙব্রা?”

- “অদো করিগী লায়ররিনো?”

- নঙসে ব্রা য়ামখ্রেদা।”

মমাদু শাউনীংলক্লে, অদুনা মচানুপী অহলদু কৌরগা হায়খ্রে :

- “ইবেম্মা, লাউ, মসি পুথোকখ্রো, ফমুংদা লংশিল্লু খরা। থেঙলবনি, তূম্বা মতম য়ৌরে।”

মথঙগী অয়ূক্তদি অঙাংদু মাগী কোরান স্কুল কাখ্রে, মহৌশাগুম চয়োল অমগী মনুংদা মঙানি চৎতৌরিনি।

মতাংসিদা পাবিরিবা পূম্নমক্লা শোয়দনা খঙবীনিংলমগনি, অঙাংসি কনানো? মমিং করি কৌই, মাগী লৈফম্না কদায়দনো, মাগী কৈরোয় লৈকাইগী মরম, মাগী ইমুংগী ব্রারী অসিনচিংবা। অদুবু ঐদি সুম্না খুমদৌরি, ফ্রেঞ্চকী অইবা ডিদেরোটনা মাগী অপাবশিংদা খুমখিবা অদুম্না। ঐসু অদুম্না খুমজগে, অপাবশিংদা, অসুম্না ব্রাহং পাউখুম তৌনবসিনা ঐবুসু ব্রাহল্লে, অপাবসু ব্রাহল্লে অসিনি। মদুনা ব্রারীমচাদু ফজবা হেনগৎহনগদবা লৈতে অসিনি। ঐদি ক্রিটিকশিংনা শেম্বা নিয়ম পূম্বদু ইনবসু হোৎনজদে। মখোয়না হায়রি, ব্রারীমচা অমা ফজবা ওইহনগে হায়রবদি মফম, মতম শেংনা তাক্কদবনি, লমচৎ য়েক্লিবদু, কমদৌনা থৌদোক্তু থোকপা, কনানা থোকহনবা, দশাদু কনাদা তারবা, কনানা তাহল্লিবা অসিনচিংবা লোইনা মচা খায়না তাক্কদবনি অসিনি। অদুবু ঐদি ব্রারীমচা ইবদা হায়রিবা কাঙলোনশিংসিগী মখা পোন্না ইবা তৌজদে। মরদি ঐ নিয়মশিংসিদা থাজবা থমদে, মখোয়দুগী মখা পোন্দে। ঐদি ফনা ফগে ফৌ ক্রিটিকশিংদুনা নিয়ম, কাঙলোন তাকশিল্লক্লবা, ময়াদ্রে। অদুগী মথক্তা অপাবশিংনসু, ফনা হৈবা ওইরসু, ঐ অমসুং ঐনা ইজরিবা ব্রারীমচা অদুগী মরক্তা চঙদুনা হঙ্গৎলক্লবা ঐ য়াবা ঙমজরোই। মরমদি ঐগীসিদি পাউদম্বনি, অউবদু তম্বা তাবনি, মদু লাউথোকপনি, মদুদা পাবীনীংবা মীনা পারসনু, পানীংদবা মীনা অদুম লংথোকপীসনু। ঐগীদি হরাওনা পাবিবা মীবুসু থাগৎচরি, অদুগা পাবীনিংদবা মীদুবুসু অদুম থাগৎচরি। ঐগীদি হায়জরিবসিনি, ঐদি ঐনা উবদু লীবনি, মদুদনি তমদৌবা, হৌনা, ফোংনা। মদুদা পারিবা মী অদুনা করি ফাওবা হায়বদুদি মাগী মনীংনি, পাবীগেরা, পাবীরোইরা? সাহিত্য খঙবা মীনা ঐগীসি সাহিত্যনি হায়বীগেরা, হায়বীরোইরা, পূম্নমক মনীংনি। ঐনা অপাবশিংবু ঐনা হেন্না অখঙবা শাই হায়নসু খলহন্নীংদে। অদুগা ঐনা মখোয়বুসু মরাল পীজনীংদে। শম্না হায়রবদা ঐ অদুম তৌগদবা ইকোন কোনবা মীদু ওইজদৌরিবনি। অপাবশিংবু ওন্থোক্লা নুংশিজবা অমদি ইকাই খুম্নজবা মীশকনি ঐদি। অদুবু অপাবশিংনা অহৈ-অপা শাদুনা ঐবু তাকশিল্লক্লবা, মানা পাম্বা মহাওদু ফংহল্লু হায়রক্লবা মদুমা য়াজররোই। ঐনসু ঐনা পাম্বসি য়াউ হায়না কৈদৌঙৈদা হায়জরক্লরোই। ঐগী মতম মতুং ইন্নদি অইবগা অপাবগী মরীসি নীংতম্নাগদবনি। ঐনা ইগনি, মানা পাগনি।

ঐনা খঙ্জে, ব্রারীসিদা অপাবশিংনা হংবীনিংবদু খুমখ্রে হায়না, অঙাংদুগী লৈফম, মাগী লৈকাইগী ব্রা, মাগী ইমুংগী ফীভম অপাবশিংদা হাইফেৎ খঙহঞ্জখ্রে খল্লি। লোইননা লীরবদি ঐনা ওইহন্নীংবদগী হেন্না শাংদোকখ্রগনি খল্লি। ঐগী পাউদমদা পনখ্রিবসি অঙাং অমত্তা নত্তে, অনীনি। অমনা সালে কৌই হায়খ্রে, মাননি লৈ পুরক্লগা মীগী ইমুংদা চাক চাবা ফংনবা হোৎনখিবা, অদুগা অঙাং অমদুগী ইমুংদনি সালেনা চাক চাখ্রিদুসু। অদুনা ঐনা কৌজরে অকোনবগী অঙাংসি অনীশুবা অঙাং হায়না। মরমদি অমদুদি মমিং হায়জখ্রে, মপা মমিংফাও পঞ্জখ্রে। অকোনবগীসিদি অপাবশিংনা করি মমিং কৌই, মমা মপাদুগী মমিংনা করি, করিমত্তা খঙবীদ্রি। তশেংবদি ঐনা মাগী পাউ তম্লগে খল্লকপা মতমদুদসু মাগী মমিং থোনগে খল্লক্তে। হৌজিকসু খন্দ্রি। মরমদি অঙাং অনীসিগী মমিংসি ঐঙোন্দা থোইদোক্তে। ঐনা মীয়ামদা পাউদমজগে খল্লিবদি থৌদোক্তুদনি। অঙাং অনীদুগী থৌদোক্তো। অমরোমদা হায়রগা সালে হায়রিবা অদুমক অকক্লবা অঙাং অমবু খঙহন্নীংবগী ব্রা নত্তে। মরমদি মাগুম্বা সালে কয়ানি ইজিপ্ট লৈবাকসিদা খাদা-ব্রাংদা, নোংপোক্তা নোংচুপ্তা পিক থন্না লৈরিবনি। খুঙ্গংদসু লৈ, সহরদসু লৈ, সালেগী সালেঙাক্তা ঙায়খ্রবনি মফম পূম্বদা। ইজিপ্ট লৈবাকসি ইনাকসু খুনসনু, পোৎ-চৈ মরাঙসু কায়সনু মঙোন্দদি লাইরখ্রবা নংখ্রবা লৈবাক অমনি খল্লিবনি। অদুনা ঐনা হায়জবা ঙমগনি, পাবিরিবা পূম্বনা সালেগুম্বদি কয়ামা উবিরমগনি, অদুবু অদোমগী তাঙলবা পুন্সিদুগী নোংমতং কায়থোক্তুনা নৎত্রগা নোংমগী পুং অমতং কায়থোক্তুনা সালেগীদমক ব্রাবীবদি তৌবীরমগনি থাজদে। অদুনা সালেদি ফি-রোল লৈনবা পৈশা লৈজদে, মবুক লাম্লক্লগা চানবা চাক লৈজদে, অদুগা মমিং খঙদ্রিবা অঙাং অসিগী য়ূমদা চারুরি। অদুনা অঙাং অসিগী মমিংসি 'অমিন' হায়না হেক্তা কৌরসি। মহাক মাগী কোরান স্কুলদা লাইরিক তম্বা চৎলি, মাগুম্বা নুংঙাই য়াইফবা মচা খরগা তমিন্নরুনবা, অদুগী মথক্তা অব্রা-অনাগী চৈথেং ফংলবা, অব্রাৎপদনা থল্লবা, চাকথুং-ফিথুংদবা মচা কয়ামা লোয়নরুনবা। মখোয়দুদি সিগুম্বা অঙাংশিংগী নৎত্রগা অতৈ মরুপশিংগী থৌজাল অমগীদমক য়েংজরিবনি।

অদুনা সালে লৈখিদে হায়রসু য়াই, মরমদি ইজিপ্ট পূম্বা সালে ঙাক্তনি। পোৎশক অমা য়াম্না লৈমল্লদি লৈতে হায়রসু কায়দে, ব্রাফমসি ব্রাংউলোম্না য়ারসু য়াদ্রসু। অদুগা অমিনদি লৈ হায়বা তাই, মরমদি ঐখোয়না মাগুম্বদি উই, অতৈ উদে। মাগুম্বদি ঐখোয়দা মরু ওই অদুগী মথক্তা মাগুম্বদি চরা হেল্লগা ফমুং চঙদে, নুমিদাং অমত্তা। মহাক্তি অয়ূক্কী চরা ঙাইনদে, মতম হেক য়ৌরকপগা নুমিদাং চারাসু অদুম লৈরম্মী। মরমদি চরা অমগী ফংবা হায়বসি মাগীদি হকনি। চারগা তূম্বা হায়সিসু তঙাইফদে। মহাক মশা ফনা লৈতবা য়াদে। অদুনা অঙাং অসিদি, অমিন কৌবা অসিদি লৈ হায়গনি মরমদি মহাক্লা খুল থন্দে, সহর থন্দে, মাদি খূৎ থেকপা য়াবা মীনি, মাগুম্বদি খুল অমদা সহর অমদা মশীং থিবা য়ারি। অদুনা মীদি লৈ হায়বা তাই, মাগী মশীং লীকই। মশীং থীবা ঙল্লি, মশক তাকপা ঙল্লি।

মতাংসিদা অমুক অপাবশিংগী মঙক থাঙ্গৎলক্কদবা মাল্লি, মায়থোংদা করেম্নবা মীনোক অমা উৎলকপা য়ারি, মায় পাকপগী মীৎয়েং অমগা লোয়ননা ঐঙোন্দা নোকশিল্লকপসু য়ারি।

- “নঙদি ঐখোয়গী ব্রাহংগী পাউখুমফাওবা পীদবমখৈ, ব্রা কোইথোক্লুরোই হায়রগা সুম ব্রাকোই ঙাঙদুনা লৈরে। মদুগী কান্নবসি করিনো?”

- “ঙাকপীগনি, ইকায় খুম্নজরবা অপাবা মী! ঐনা হায়জরিবা খরসিদি ব্রাকোই নত্তে, পন্দবা য়াদবা ঙাক্তনি, কান্নরকখিনি। ঐনা হায়জবদি সালেগুম্বদি নোংমদা লীশিংলোমদা থেংনরে। অদুনা সালে অমখক্কী পল্লুদুনা কান্নদ্রে হায়জবনি। ঐখোয়না মখোয়বু থেংনদুনতা লৈরে, মখোয়গদা তোৎনদুনা লৈবনা ঐখোয়গী পুন্সি ওইরবনি। থেংনমন্দুনা মখোয়গী খনবু খন্নদ্রবনি, মখোয়দি অব্রাবগা লৈমিন্নরগদা, অব্রাৎপনা পুন্সি ওইরগদা শাফরবনি খঞ্জরবনি। অতৈনা নুংঙাইনা, মশা ফনা লৈরবসু ঐখোয়না সালেগুম্বগী ব্রাসিদি নীংশিংলুদ্রবনি, ঐখোয়না হোল্লিবা শ্বর, য়াইরিবা নুংশাবু কনানা থওইনা খন্নদবগুম। অদুগা অমিনগুম্বদি মরক মরক্তা উবগী ব্রানি, অমা অনীকা, অদুনা মখোয়গুম্বগী ব্রাদি ঐখোয় খল্লি, থম্মোয়দা, ব্রাখলদা থম্মী। অদুনদি করম্বনা ফবগে খনবীরো।”

- সালেগুম্বা ইজিপ্ট থন্না লৈবা, চাকথুং-ফিথুংদবা অদুগী খনসিরা, ইজিপ্টনা ফনা ফদুনসু, চাকহোং ঙাহোংঙসু মখোয়দুদি মপুন্সি চুপ্পা অব্রা অনাগা য়াওন্নরি। নৎত্রগা অমিনগুম্বগী ব্রা হায়য়ুরা, মাগী নুংঙাইবা ব্রারী, মাগী লৈফম, লৈকায়, ইমুং মনুং ইরগা ফজবা ব্রারীমচা ওইগদ্রা? ক্রিটিকশিংনা পামজবা ঙক্লা ফজৈকা হয়বদু ফংলদ্রা? ব্রারীমচাগী নিয়ম ঙাকপা ওইরদ্রা?

ঐগী ওইনদি অপাবশিংগী থম্মোয় য়ৌহনবনি, মদুদা ফাওরকপা অশাউবা, নুংশিবা অদু য়েংনীংবনি, য়ানীংবা য়ানীংদবা উৎলকপদুনি, অপাবনা খঙনীংনা হংলকপদুনি তানীংলিবা।

ঐগীদি হায়জরিবসিনি, অপাবশিংগী থমোয়দা য়ৌহনবদুনি সালেগী মপাউ, মাবু নুংশিবীবদুনি পামজবা, মশীং য়াকঙমদনা মখোয় লৈদুনসু। মখোয়না মখোয়গুম্বসিদি লৈত্রে হায়না লৌরসি হায়নখ্রবসু। কনানা খঙবা? ঐনা সালেগী ব্রাদা হায়দুনা অদোম্বু শাউহনবসু পামদে।

মথং-মথং

*ইংরাজিদা : শাদিক মেগাল্লি*
*মৈতৈলোন্দা : সলাম তোম্বা*
(ইজিপ্টকী ব্রারীমচা)

*পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ব্রারেং অমদি শৈরেংশিং অসিগী ব্রাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ব্রাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।*